

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস




Sunday, February 07, 2021, Imphal




চাইনাগী ইষ্ট ঝৈজিয়ান প্রোভিন্সতা লৈবা ঝু জিদা পাঙথোক্লিবা চাইনিজ বাস্কেটবোল এসোসিএসন লীগকী ৩৯ শুবা রাউন্দদা নানজিং মোঙ্কি কিংসকী শান্নরোয় নমখায়দুনা বোল লংনবা হোৎনরিবা সানজি লোংসকী এরিক মোরলেন্দ

য়াম্না তাঙনা থেংনবা জেনেটিক কন্দিসন অমদগী খূৎশা ৮ অমদি খোঙশা ৭খক য়াওবী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগীদমক্তা অহানবা ওইনা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মায় পাক্তুনা গ্রান্দ স্লামদা শরুক য়াগদৌরিবী বৃটেনগী ফ্রান্সেস্কা জোন্স

## ইংলেন্দনা নীনিশুবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা রন ৫৫৫ লৌখ্রে, জো রুটনা রন ২১৮ স্কোর তৌখ্রে



*রন ২১৮ লৌদুনা ইংলেন্দগী ইন্নিংস ফজহনখিবা কেপ্টেন জো রুট*

চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ০৬(এজেন্সী): ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুটনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ঙরাং লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচকী অহৌবা নুমীৎতা রন ১২৮ লৌদুনা লৈখিবা অদু ঙসি নীনি শুবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিল্লকপদা রন ২১৮ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ৱিকেট ৮ তুবদা রন ৫৫৫ লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অহানবা নুমীৎকী লোইশিল্লকপদা ওপনর দোমিনিক সিবলে রন ৮৭ লৌরম্লগা আউট ওইখিবনি। ক্রিজদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুটনা রন ১২৮ লৌদুনা লৈখি। মদুদা ইংলেন্দগী অপূনবা স্কোর ৱিকেট ৩ তুবদা রন ২৬৩ লৌখি। ঙসি নীনি শুবা নুমীৎতা টিম অদুনা মখা তানা রন ২৯২ হাপচিল্লগা রন ৫৫৫ য়ৌখিবনি।

দোমিনিক সিবলেগী মহুৎ শিল্লকখিবা বেন ষ্টোক্স অমদি জো রুটনা মখা তাবা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ১২৪ হাপচিনবা ঙমখি। অপূনবা স্কোর ৩৮৭ শুরকপদা বেন ষ্টোক্স রন ৮২দা আউট ওইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৬শুবা বেটসমেন ওলিপোপ শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না মখা তানা কেপ্টেন জো রুটকা ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদুবু মপাঙ্গল হেনগৎহন্দুনা রন ৮৬ হাপচিল্লগা অপূনবা স্কোর অদু ৪৭৩ য়ৌহল্লকখি। ওলিপোপ রন ৩৪দা আউট ওইখি। মহাক্না আউট ওইখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা থংনবা ওভরদা কেপ্টেন জো রুট রন ২১৮ লৌরম্লগা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বোলর সেবাজ নদিমনা আউট তাহনখি।

জো রুটনা মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৩৭৭ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১৯ য়ৈরমখি। মহাক্কী মহুৎতা দোমিনিক বেস শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা জোস বটলরগা ৭শুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৪৮ হাপচিল্লগা ইংলেন্দগী অপূনবা স্কোর অদু ৫২৫ য়ৌহল্লকখি। জোস বটলর মশাগী রন ৩০দা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোলর ইশান্ত শর্ম্মনা আউট তাহনখি। বটলরগী মহুৎ শিল্লকখিবা জ্যোফ্রা অর্চর ইশান্তনা থংনবা বোলদা রন লৌহন্দনা আউট তাহনখি। ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবদা বেস রন ২৮ অমসুং জেক লিস রন ৬ লৌদুনা ৱিকেট ৮দা রন ৫৫৫ লৌদুনা লৈরি।

## এফ আই ঐচ প্রো লীগ হোক্কীদা বেলজিয়মনা স্পেনবু মেটচ অনী থংন-থংননা থোইখ্রে



*বেলজিয়মগী শান্নরোয় (ওই)না স্পেনগী শান্নরোয়বু বোল ফংনবা হোৎনবদা থিংখিবা*

ভেলেন্সিয়া, ফেব্রুৱারী ০৬(এজেন্সী): কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ১৮দগী হৌরকখিবা মরক্তগা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মতম শাংনা থিংলুরবা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা অনীরকশুবা প্রো লীগ হোক্কী টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা স্পেন অমসুং বেলজিয়মগী মেটচ অদুদা বেলজিয়মনা মেটচ ২ থংন-থংননা থোইবা ঙমখ্রে।

স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা লৈবা বেটেরো ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা বেলজিয়মগা অকনবা লম্বা অমদা স্পেন পাঞ্জল ২-৩দা মায়থীবা নংখি। শান্নবগী অহানবা ক্বার্টরদা বেলজিয়মগী দোকিয়রনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় ব্রেলসনা ফিল্ড গোল অমগা চল্লগা ২-০দা লৈখিবা অদু স্পেনগী এলেজ্রিনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি।

অনীশুবা হাফতা স্পেনগী লিওনার্দনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। অদুবু ৫১শুবা মিনটতা দোকিয়রনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-২দা থোইখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লৈবাক অনীগী অনীরকশুবা মেটচ অদুদা বেলজিয়মনা অহানবা অমদি অনীশুবা ক্বার্টরদা গোনার্দ অমদি হেনদ্রিককী মতেংনা পাঞ্জল ২ চল্লগা স্পেনবু ২-০দা থোইখি। লীগ অসিগী মথংগী মেটচ মার্চ ৬তা জর্মনি অমসুং নেদরলেন্দস লম্বা তৌনগনি।

## অর্সনেল এষ্টন ভিল্লাগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ০৬(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি অঙনবা শান্নখিবা মেটচ অমদা মমাংদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা অর্সনেলবু এষ্টন ভিল্লানা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লন্দনদা লৈবা ভিল্লা পার্কতা এষ্টন ভিল্লানা য়ূম্বু ওইদুনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অদুদা অর্সনেলগা লম্বা তৌনরকপদা শান্নবগী শুপ্নগী মিনট ২ শুরকপদা বর্ট্রান ট্রাওরেনা পীরকখিবা বোল অমদা টিমমেট ওলি ৱেটকিন্সনা পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখিবনি। মখা তারকপদা অর্সনেলনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা অদু মেটচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ঙমখিদবদগী ০-১দা মায়থীদুনা ১০শুবা পোজিসনদগী লেংখিদে।

## ইন্টরনা ফিওরেন্টিনা ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবল লুচিংখ্রে

রোম, ফেব্রুৱারী ০৬(এজেন্সী): ইটালিগী ফিরেন্স সিটিদা লৈবা অর্টেনিও ফ্রান্সি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা সেরি এগী মেটচ অমদা ইন্টরনা ফিওরেন্টিনাবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা টিম ২০গী টুর্নামেন্ট অদুদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী পুংখায় অমরোম টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। অদুবু ৩১শুবা মিনটতা ইন্টরগী এলেসিস সাঞ্চেসনা পীরকপা বোলদা নিকোলো বরেলানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা হাফকী ৫২শুবা মিনটতা অশ্রফ হাকিমিনা পীবা বোলদা ইভান পেরিজিকনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ২-০দা থোইখি। ইন্টর পোইন্ট ৪৭ ফংলগা এ সী মিলানদগী ১ হেন্দুনা মকোক থোংলি।

## হাদিপ এফ সী অমসুং পি য়ু এফ সী মখোয়-মখোয়গী মেটচ থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস): পাঙল ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নবুংদা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা হাদিপ এফ সীনা ৱাই এস এম এলবু অদুগা পি য়ু এফ সীনা জে পি অমু এফ সীবু থোইখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা শান্নখিবা মেটচতা হাদিপ এফ সী অমসুং ৱাই এস এম এল তাংখম লম্বা তৌনখি। মেটচকী অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা হাদিপ এফ সীগী মায়কৈদগী এটেক চথুরকখিবা অমদগী খূদোংচাবা লৌরদুনা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৩৩ এম দি সলমান খুর্সিদনা ১৮শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেটচ অদু মখোয়না ১-০দা থোইখি।

নুংথিল শান্নখিবা মেটচতা পি য়ু এফ সী অমসুং জে পি অমু এফ সী শান্নবদা য়ু এফ সীনা ২-১দা থোইখি। অহানবা হাফকী ৭শুবা মিনটতা জে পি অমুগী মায়কৈদগী সাহিদ খাননা পাঞ্জল অমা চল্লগা পি য়ু এফ সীবু মখোয়না মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা হাফতা পি য়ু এফ সীগী রাউফ অমদি নাওবীনা পাঞ্জল ২ চল্লগা ২-১দা থোইখি।

## মণিপুরগী কিক বোক্সর অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস): হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১০ ফাওবা উত্তরখন্দ কিক বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ষ্টেট অদুগী কোনুং ধেরাদুনগী সাহারনপুরদা রোদতা লৈবা হোটেল এলিটতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেদরেসন কপ ২০২১ কেদেট, জুনিয়র অমসুং সিনিয়র নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারুনবা অমদি ইন্দিয়াগী টিম শেম্বদা য়াওরুনবগীদমক মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী কিক বোক্সর ৩৫ অমদি ওফিসল ৫ খল্লে হায়না কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এস উমাকান্তনা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা ৱেট কেটগোরিগী কেদেট ইভেন্টতা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৮ খনখি। সব-জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা শান্নরোয় ৩, জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা শান্নরোয় ৬ অদুগা সিনিয়রগী কাঙলূপ্তুনা ১১ য়াওরি। শান্নরোয়শিং অসিবু ফেদরেসন কপ ২০২১ অদুদা শরুক য়ানবা অমদি ইন্দিয়াগী টিম শেম্বদা শরুক য়ানবা হোৎনবদা ওফিসিএট তৌগদৌরিবা মণিপুরগী ওফিসলশিং অদুদি ৱাহেংবম গুনেশ্বর, আর জেয়রাজ, কে এস সনায়াইমা, এস রোমি, এস উমাকান্ত, সায়িদ হালিক অমসুং কে প্রমেশ্বরনি।

---

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. Mutation Case No. 121/SDC/IW-L/2021**

Sagolshem Malemnganba Meetei, S/o. S. Dinamani Meetei of Naoremthong Laishram Leirak

- Petitioner

-Vrs-

Late Sagolshem Jati Singh, S/o. (L) Thambou Singh of Naoremthong Laishram Leirak

-Op./Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

04/02/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার শগোলশেম জাতি মৈতৈ পীতা মৃতু থম্বৌ সিংহ সাং নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক্কী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯- ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৩৬ দাগ নং ১৯ এরিয়া ১.৪৭০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P7070/7 — *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. Mutation Case No. 119/SDC/IW-L/2021**

Laiphrakpam Rojit Singh, S/o. (L) Amumacha Singh of Lamdeng Makha Leikai

- Petitioner

-Vrs-

Late Laiphrakpam Amumacha Singh, S/o. (L) Lamphel Singh of Lamdeng Makha Leikai -Op./Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

04/02/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইফ্রাকপম অমুমচা সিংহ পীতা মৃতু লমফেল সিংহ সাং লমদেং মখা লৈকাইগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৭৫/৪৮১ দাগ নং ১২২৬ এরিয়া .৭৩ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P7070/7 — *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. Mutation Case No. 124/SDC/IW-L/2021**

Ningthoujam Rajendro Singh, S/o. (L) Bheigya Singh of Phayeng Sabal Leikai

- Petitioner

-Vrs-

Late Ningthoujam Saratkumar Singh, S/o. (L) Bheigya Singh of Phayeng Mamang Leikai

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

05/02/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার নিংথৌজম শরতকুমার সিংহ পীতা মৃতু ভৈগ্যা সিংহ সাং ফয়েং মমাং লৈকাইগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৫৯- খারাং কোইরেংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৬২ দাগ নং ৫৭/২৪৭ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৬২৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P7070/7 — *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. Mutation Case No. 125/SDC/IW-L/2021**

Thongam Chaoba Devi, W/o. (L) Th. Shanta Singh of Lamdeng Khunou

- Petitioner

-Vrs-

Late Thongam Shanta Singh, S/o. (L) Th. Nabakumar Singh of Lamdeng Khunou -Op./Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

06/02/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থোংঙাম শান্তা সিংহ পীতা মৃতু নবকুমার সিংহ সাং লমদেং খুনৌগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৭২৪/৯৯৫ দাগ নং ৭৮৫/৯৩৫ এরিয়া ০.০৪০০০ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P7070/7 — *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. Mutation Case No. 120/SDC/IW-L/2021**

Laiphrakpam Debendro Singh, S/o. (L) Amumacha Singh of Lamdeng Makha Leikai

- Petitioner

-Vrs-

Late Laiphrakpam Amumacha Singh, S/o. (L) Lamphel Singh of Lamdeng Makha Leikai -Op./Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

05/02/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইফ্রাকপম অমুমচা সিংহ পীতা মৃতু লমফেল সিংহ সাং লমদেং মখা লৈকাইগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৪১/৩৭৯, ২৪৩, ১৮ দাগ নং ১২৭৮, ১১০৪, ১৩২২ গী এরিয়া ০.৪৭, ০.৭২০০৫, ০.৬৫ চাওবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P7070/7 — *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, (III), MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 36/AS & SO(III) Date. 05/02/2021**

Phijam Ibemhal Devi, D/o. Ph. Lashman Singh of Wangkhei Lourembam Leirak - Petitioner

-Vrs-

Phijam Ibomcha Singh, S/o. Ph. Lashman Singh of Wangkhei Lourembam Leirak

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Imphal, 06/02/2021


Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক পাট্টা নং ৩০৭ অরিবা ২৭৯ অনৌবা দাগ নং ১৩৩৮ এরিয়া .০৭৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং ফিজম ইবোমচা সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৪/০২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চখরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/-** Assistant Survey & Settlement Officer, (III), Manipur

HL-P/8920/7

---

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 28

**Myers, Dominique (1990) - Swicarz, Maciej (2341)**
**Titled Tuesday 12th Jan chess.com INT (4), 2021.01.12**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.e5 c5 | 4.dxc5 e6 |
| 5.a3 Bxc5 | 6.b4 Bb6 | 7.Bb2 Ne7 | 8.Nf3 a5 |
| 9.b5 Nd7 | 10.Bd3 Nc5 | 11.O-O Bd7 | 12.a4 Ng6 |
| 13.Nbd2 Rc8 | 14.Re1 Qc7 | 15.Bf1 Ne4 | 16.Nxe4 dxe4 |
| 17.Ng5 e3 | 18.Bd4 exf2+ | 19.Bxf2 Bxf2+ | 20.Kxf2 Qxc2+ |
| 21.Re2 Qf5+ | 22.Nf3 Rd8 | 23.Qe1 b6 | 24.Rd1 Nf4 |
| 25.Red2 Nd5 | 26.Bc4 Nc3 | 27.Rc1 Ne4+ | 28.Kg1 Nxd2 |
| 29.Qxd2 O-O | 30.Bd3 Qh5 | 31.Qf4 Bc8 | 32.Be4 f5 |
| 33.exf6 Rxf6 | 34.Qc7 Rdf8 | 35.Qxb6 Qh6 | 36.Rc7 e5 |
| 37.Qc5 Bg4 | 38.Qxe5... | | |

**QUESTION :**
**Black wins in 4 moves**

Puzzle 27 Ans. :

**21**...Nxd5 **22.**Nh6+ gxh6 **23.**Qg4+ Kh8 **24.**Bb2+ f6 **25.**Qe4 Bxc5+ **26.**bxc5 Kg7 **27.**Qxh7+ Kf8 **28.**Bg6 Rxc5**29.**Qf7#

**22.**Nh6+ gxh6 **23.**Qg4+ Kh8 **24.**Bb2+ f6 **25.**Qe4 Bxc5+ **26.**bxc5 Kg8 **27.**Qxh7+ Kf8 **28.**Bg6


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. – Reshmi Nandeibam

1ST POSITION 2020

TOPPERS of 2020



9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 | VAN AVAILABLE |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. | |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6686/1